NEW YEAR SPECIAL
20″LED TV
+ 150LT REFRI:
+ 6KG W/MACHINE
= ₹ 23500
DVD/STAB./ TATA SKY FREE
20″LED TV
+ 150LT REFRI:
+ 6KG W/MACHINE
= ₹ 24500
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD. NAMBOL. KAKCHING. THOUBAL. VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

facebook.com/sanaleibak.daily

চহি চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00
E-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com

[illegible]
সনালৈবাক

ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা চথগদবা
নেসনেল ইন্টিগ্রেসন য়ুথ কেম্প ঙরাং
ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা
হৌদোকপগী থৌরমদা উৎখিবা নাগালেন্দগী
কলচরেল গ্রুপ অমগী জগোই

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সম্বামদা
নৌনা শাবা ওবজার্বেসন হোম
মিনিষ্টর একে মিরাবাইনা রিবোন
কক্কুনা শঙ্গাবা

LIMITED STOCK VALID 31ST JAN. 2015
20″LED TV = ₹ 9000
24″LED TV = ₹ 11800
28″LED TV = ₹ 17000
40″LED TV = ₹ 29500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ~~₹ 8500~~ = ₹ 7600
7.2KG H13 ~~₹ 9990~~ = ₹ 8600
7.2KG H11 ~~₹ 10590~~ = ₹ 8700
7.3KG ~~₹ 11190~~ = ₹ 9400
150LT REFRIG: = ₹ 8200
170LT REFRIG: = ₹ 9200
190LT REFRIG: = ₹ 9700
190LT (4 STAR) = ₹ 10000
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD. VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

Vol : 41 Issue : 71 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal, Thursday, January 29, 2015 শগোলশেন, ফাইরেনগী ১০ নি পানবা

লৈবাকসিগী পাউ | ষ্টেটসিগী পাউ | এডিটোরিয়েল | মখল মখলগী কলম | মপান লৈবাক্কী পাউ | শান্নবগী পাউ

অহানবা কাখল

ৱাখলগী চিঙ্খৎ

নঙগী ৱাখলদু নঙগী পুন্সিগী আর্কিটেক্টনি

[illegible]

ঙসিগী অঙৈং-অশাগী পাউ

খাইদগী ঈংবা চাং ঃ ৬°
খাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৪°
নুমিৎ থোকপা অয়ুক পুং ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা নুংথিল পুং ৪.৫৭
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৪৭

মনুংগী লমায়দা

লমায় ২ ঃ
- বরদ্বান ব্লাষ্ট কেসতা চেন্নবা মীওই মরী এন আই এনা ফাগৎখ্রে

লমায় ৩ ঃ
- হায়র এদুকেসনগী পুকচেল শেংবা কম্মিস্নার ১ দরকার ওই

লমায় ৪ ঃ
- ইয়োংগী পোখোক খঙলকপ (এডিটোরিয়েল)

লমায় ৫ ঃ
- লুখ্রাবী মচা
- (ফুঙ্গা ৱারী-মীতৈ ময়েক) মীতৈ ময়েক্লা নম্বর থাদবা গাড়ীশিং মীৎয়েং চঙলগনি

লমায় ৬ ঃ
- অবেনা আই এস হোটেজ ভিদিও কন্দেম তৌখ্রে

লমায় ৭ ঃ
- ইন্দিয়াগী হরিকৃষ্ণ গিব্রাল্টর চেছকী অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে

লমায় ৮ ঃ
- ৱাহেংবম থোইবী চেলেঞ্জ হোকি ট্রোফি হৌখ্রে
- এ আর সিনা রেদিয়েল ক্লব অসাম মায়থিবা পীখ্রে।

গ্যাসকী পাউ পমায় ৫ দা

লোইরেদনা

[illegible]
খুরাগী বার্তননে লৌহৈরোরোই হায়রিসিবু ঐবু ...



[illegible]
ইবো, থা অমদা থৌদোক২ দগী হেয়া বার্তন লৌদ্রে। নংগীসিদি মরিগুবা ওইরে অদুননি।

ফ্রিদম ফাইটর হাইপৈ রাণী গাইদিনলিয়ুগী নিংশিং খুভম থম্নবা সরকারনা হোৎনরগনিঃ চিফ মিনিষ্টর

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৮ঃ ফ্রিদম ফাইটর হাইপৈ রানী গাইদিনলিয়ুগী নিংশিং খুভম অমা ইম্ফালগী মফম চাবা জগা অমদা থম্নবা হোৎনবদা সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী পেলেস গেটতা লৈবা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী ওদিটোরিয়মদা কবুই মাদর্স এসোসিয়েসন (কামা) মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা হাইপৈ রানী গাইদিনলিয়ুগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, রানী গাইদিনলিয়ুগুম্বা লমদমসিগী লাইওইখ্রবা থৌনা লৈখ্রবা অহল লমনশিংনা তুংগী মীরোলগী অমদি জাতিগীদমক হালেংবা লৈতনা কথোকপীরম্বশিং কৈদৌনুংদা পৈশানা লৈবা ফংলোইদবা অমদি লমন শিংবা ঙম্নরোইদবা ঙাক্তনি। ঙসিগী অমদি তুংগী লাক্কদবা মীরোলনা লায়না হেক্তা খঙবা ঙম্নবা ইম্ফালগী মফম চাবা জগা অমদা রানী গাইদিনলিয়ুগী মীতম অমা খিনবদা সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

ইং ২০০৪ দগী হৌদুনা জিরিবাম, তুপুল, ইম্ফাল রেল লম্বী শেম্লিবা নেসনেল প্রোজেক্ট অসি ভারতকী ওইনা পায়খৎলিবা নেসনেল রেলৱে প্রোজেক্ট ৩৪গী মনুংদা খাইদগী য়াংনা থবক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টনি। জিরিবামদগী তুপুল ফাওবগী রেল লম্বী শেম্লিবা অসি ২০১৫ কী দিসেম্বর থাদা লোইশিন্নবা পান্দম থম্লিবনি অমদি মোরেদগী ম্যান্মারগী কলিমিয়োদগী মথং মথং ফাওরগা চাইনা, হোংকোংনচিংবা য়ৌখিগদৌরিবনি হায়খি।

থবক অসিদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকীগী অৱাং খুল ময়াদা কিমিঃ ৫ রোম শাংবা টনেল অমা হুৎপগী থবক শুরিবা শিন্নী ৩ খুৎলাই পায়বশিংনা ফাবীখ্রে হায়রিবসি চুমদবনি হায়রদুনা মীয়ামগী অমদি জাতিগী ওইবা অসিগুম্বা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপদা অয়েৎপা পীদনবা অপিল তৌবগা লোয়ননা তেত্তা কায়দনা থাদোকপীরক্লবা অপিলসু তৌখি।

থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা হোমগী থৌসু পুরিবা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী ৱারোল থম্লদুনা হায়, রানী গাইদিনলিয়ুনা য়াম্না চহি নৌরিঙৈদগী হাইপৌ জাদোনংগী মতুং ইন্দুনা বৃটিশকী মায়োক্তা লৈবাক অসিবু মনিং তমহন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু নৌহৌনা নিংশিংখিবগা লোয়ননা অপিকপা মণিপুরনা লৈবাক অসিদা পীরিবা কন্ত্রিব্যুসনশিং অসি অতৈদগী তাদে হায়বসি রানী গাইদিনলিয়ুগী ৱারীনসু তাক্লি। মহাক্লা নীংতম ঈহৌদা পীখিবা কন্ত্রিব্যুসন অদু শকখঙদুনা অমদি ইকাই খুম্নদুনা ভারত সরকারনা মহাক্কী চহি ১০০ গী কম্মেমোরেট ওইনা কোইন অনি পুথোকখ্রে। মসি ঐখোয় পুম্নমক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি। অমরোমদা, হাইপৌ জাদোনংগী মেমোরিয়েল পার্ক অমা মহাকপু ফাঁসি তৌখিবা মফমদা মণিপুর সরকারনা শাদুনা থমখ্রে অমদি মহাক্কী ফুট ৯ ৱাংবা মীতম অমসু হৌজিক শারি। মসি মহাক্কী লৈখিদবা নুমিৎ মথং চহি ওল্লকপদা মায়খুম হাংদোক্কবা থৌরাং তৌরি। লোয়ননা মহাক্কী পোকফম কম্বিরোলদা লৈগদৌরিবা রেলৱে ষ্টেসনসু হায়পৌ জাদোনং রেলৱে সব ষ্টেসন হায়না মীং থোন্নবা কেবিনেটনা হান্নগা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না নৌহৌননা নিংশিংখিবগা লোয়ননা অমরোমদা দিমান্দ অমা তৌবা মতমদা ইশাগীতা কাংলুপকীতা খনবগী মহুত্তা মণিপুরগী ওইনা খল্লগা তৌবিরগদি হেন্না অফবা ওইগনি হায়খি।

থৌরম অসি হৌদোকপা ওইনা অথোইবা মীথুংলেন্না লুচিংদুনা থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না হায়পৈ রানী গাইদিনলিয়ুগী ফোটোদা লৈ-শু কৎখিবগা লোয়ননা লুচিংবী অসিবু ঈকায় খুম্নবা ওইনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি। সোভেনিয়র অমসু ফোঙখিবা থৌরমদুদা রানী গাইদিনলিয়ুগী মশুনুপা অমদি মশুনুপীসু শরুক য়াদুনা ৱা ঙাংখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা মণিপুর এসেম্বলিগী দিপ্যুটি স্পিকর প্রেসো সিমরে,পি দি এ গী চেয়ারমেন এম এল এ টি মঙ্গিবাবু অমদি এম এল এ শিং টি এন হাউকিপ, ৱাই সুরচন্দ্র, কবুই মাদর্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ককোমলুংলু কামৈ, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অসাম মণিপুর, নাগালেন্দগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈ অমদি রিছোর্স পার্সন ওইনা হান্নগী য়ুনিয়ন এম ও এস হোম ওইরম্বা প্রোঃ মৈজিনলুং কামসোন অমদি প্রোঃ অরাম্বম লোকেন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

থৌরম শরুক য়াবা লাকখিবা সি এম ইবোবী নাৎকী চৎনবীগা লোয়ননা তরাম্না ওকপা

সিজ ফয়ার গ্রাউন্দ রুল থুগাইদনবা আইএমদা ৱার্নিং তৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৮ঃ সিজ ফয়ার মোনিটরিং গ্রুপ (জি এফ এম জি) গী চেয়ারমেন লেপটিনেন্ট জেনরেল (রি) এ কে সিংহনা এন এস সি এন (আই এম) গী লিদরশিপ্তা সিজ ফয়ার গ্রাউন্দ রুল থুগাইদনবা অদুগা হান্ননা য়ানদুনা লৈখ্রবা গ্রাউন্দ রুলশিং ‘‘লেটর এন্দ স্প্রিট’’ তা ঙাক্লা চৎনবা খঙহনখ্রে।

জি এফ এম জি দগী থোরকপা প্রেস রিলিজ অমগী মতুংইন্না গ্রুপ অসিনা নাকল নাম্মতগী ওইবা মীৎয়েংদা থবক তৌবা লৈতে। মোনিটরিং গ্রুপকী চেয়ারমেন অমা ওইনা সিজ ফয়ারগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইরকপা খুদিংমক নোট তৌবা তাবনি। অদুগা থিন্দুনা তাকপা তাবনি হায়রি।

সিজ ফয়ারগী গ্রাউন্দ রুলগী ক্লোজ (ই) গী এন এস সি এন (আই এম) না লনাই মীওইশিংদা ওৎ-নৈদবা, ফাবা পুনবা তৌদবা, আইনগী ৱাংমদা ফাজিন্দবা, কিহন খঙহনবা তৌদবা হায়না য়ানখিবনি হায়না সি এফ জি আরনা হায়রি।

আইনগী ৱাংমদা টেক্স খোমগৎপা অমদি নমদুনা পৈশা খোমগৎপা অসি য়ানখিবা গ্রাউন্দ রুলগী ক্লোজ (আই) থুগাইবনি। মখোয় মশানা মসি তৌরোই হায়না য়ানখিবনি। অদুবু ক্লোজ অসি য়াম্না কন্না থুগাইদুনা মীচম প্রজাশিংদা অৱাবা পীরে হায়বসি মোনিটরিং গ্রুপকী মীফমদা অকুপ্পা ৱারোলগা লোয়ননা হঞ্জিন হঞ্জিন পুথোকখিবা লৈখ্রবনি।

দিমোক্রেসিদদি মীয়ামগী গর্ভর্নমেন্ট অসি মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা চল্লাইহনগদবনি। কনাগুম্বা অমতনা কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা চৎপা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু সিজ ফয়ার মোনিটরিং গ্রুপকী চেরোল অদুদা পল্লি।

কদাংবন্দদা কাপ্নবদা অনি শিরে অহুম শোক্লে

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৮ঃ ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা কদাংবন্দদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা মীওই ২ শিরে অদুগা মীওই ৩ না শোক্লে হায়না থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমনা হায়রি।

অশিবা য়াওনা মীওই মঙা অদু বোলেরো জিপ অমদা লাকখিবনি। অমদি হায়রিবা মফম অদুদা তারিবা অসাম রাইফলসনি হায়বা মীওইশিংগা কাপ্নবদা মীওই অনি শিখিবনি অমদি অহুম শোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অহুম অদু রিমসকী কেজুয়েলিটি ৱার্দতা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। শোক্লবশিং অদুদি হেলেন কুকি (৩০) সপরমৈনাদগীনি। মহাক্কী য়েৎথংবা খুবোম অমসুং য়েৎথংবা মখুৎতা শোকপগা লোয়ননা নিংজোলদা নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবনি। অনিশুবা অদুনা সাথমমাং (২৩) অপোকপা থাংখুলেন কুকি কৈথেলমানবীদগীনি। মহাক্কী ওইথংবা খুৎ অমদি য়েৎথংবা খোঙদা শোকই। অহুমশুবা অদুনা থাংখলান কুকি (২৫) অপোকপা জিমিক থাংজুমান লৈমখোংদগীনি। মহাক্কী মখোঙ ওই লেংবান অমসুং য়েৎথংবা খুকউ অমদি য়েৎথংবা খুদাংদা শোকই হায়রি। অশিবশিং অদুগী মমিং মথা প্রেসনা ফংবা ঙমদনা লৈরি। পাউ অসিনা ফংবা মতম ফাওবদা পুলিসকী মীওই অমত্তা মফম অদুদা চঙশিল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

এনঐচকী প্রোব্লেমশিং য়ুনিয়ন সর্ফেস ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরদা খঙহল্লগনি

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৮ঃ মণিপুরগী মরুওইবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা গাড়ী চত্থোক চৎশিন তৌবদা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারি অহানবা চয়োলদা দিল্লিদা চত্তুনা য়ুনিয়ন সর্ফেস ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গাদকারি উনদুনা খঙহল্লগনি হায়না জনতা দল (য়ুনাইটেদ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্লা হায়, লমদম অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি অহানবা ফেজদা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংদা পাউদমগনি।

মণিপুরগী পুকচাক লম্বী ওইরিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা নোংমা কাঙদনা থোক্লিবা মী ফাবা পুনবা, হাৎপা তুপ্পা , লম্বীদগী গাড়ীশিংদগী টেক্স খোম্বা, পুলিসশিংনা গেট হাঙদোক্তুনা গাড়ীগী মীওইশিংদগী শেল লৌবা, হেন্দিমেন দ্রাইভরশিংবু ওৎ নৈবা কয়া তত্তনা চথদুনা লৈরি।

হৌখিবা জনুৱারি ২৪গী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা লালমাতি মনাক্তগী এম ব্রোজেন কৌবা দ্রাইভর অমবু নাগালেন্দ পুলিসকী কাঙবু অমনা ফুবদগী মখুৎ তেকপা লোয়ননা হন্দক্তা এন এস সি এন (কে)নি হায়বশিংনা লালমাতিদগী ফাজিনখিবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্লাক্তা ৱার্দ নম্বর ৮ দগী এম দি য়ুনুস খান অমসুং সেকেন্দ দ্রাইভর ইরোং মথক লৈকাইদগী এম দি অব্দুল সমদ অনি অসি হৌজিকসু ফাজিনখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরি।

লম্বী অসিদা দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন অসিবু শা ঙাগুম তাথি তাওইনা তৌবা অসি সেন্টরগী মিনিষ্টরশিংদা খঙহনবা মতম ওইরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা চহি কয়াগী মমাংদগী হৌরগা জে দি (য়ু)না মণিপুর লৈঙাক্তা নেসনেল হায়ৱেশিং অসিদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীনবা তকশিন্দুনা লাকপনি। অদুবু সেন্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা ৱাফম অসি তাবীদনা লাক্লি।

মণিপুর অসি রেল হেদ লৈতবা মফম ওইবনা নেসনেল হায়ৱেশিং অসিদা চৎলিবা ত্রকশিং অসিনা পুশিল্লক্লগা প্রজাশিং হিংলিবনি। অদুবু অসিগুম্বা মীয়ামগীদমক থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা চৎলিবা দ্রাইভরশিং অসিদা তত্তনা ওৎ নৈবা তৌবা অসি প্রজাশিংনা য়ানিংলোই।

হিরম পুম্নমক অসি য়ুনিয়ন সর্ফেস ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিটিন গাদকারিগা হকথেংননা উনদুনা পাউদমগনি। লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ শেম্নবা থাদখিবা শেনফমশিং অসি মফম খঙহন্দনা লৈরিবা অসিবুসু য়েংশিলহন্নবা তকশিনগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা লম্বী অসিদা চৎলিবা দ্রাইভরশিং ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসি অথুবা মতমদা থাদোরক্লবা মহাক্লা অপিল তৌখি। দ্রাইভরশিং অসিদি থাগী অপিকপা তলব খরনা হিংনবা লম্বী থিজরিবা মীওইশিংনি। মখোয়বু করিগীদমক ফাজিন্দুনা থম্বীবনো হায়নসু মহাক্লা হংখি।

[illegible]

[illegible]

চেংদগী শুংবা অতিংবদা চিঙাক্কী মচি ওইবা শরুক য়াম্না য়াওরে

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৮ঃ অৱাং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংনা চেংদগী শুংবা রাইস বিয়ার (অতিংবা) মখলশিংদা চিঙাক্কী মচি ওইবা মচল কয়া য়াওবতা নত্তনা এন্টি ওক্সিদেন্টকী মচাকশিংসু য়াওরে। অদুগা লায়না কয়া ঙাকথোকপা ঙৱগী শক্তিসু লৈরে।

অসাম এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী জোরহাটতা লৈবা কলেজ ওফ হোম সাইন্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ ফুদ এন্দ ন্যুত্রিসন অমদি তামিলনাদুদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ক্রোপ প্রোসেসিং টেক্নোলোজিগী লেবোরেটরিশিংদা চাংয়েং তৌবদা অতিংবগী সেম্পলশিংদা এন্টিওক্সিদেন্ট এক্টিভিটিশিং ফংলে হায়রি।

কলেজ ওফ হোম সাইন্সকী ফুদ এন্দ ন্যুত্রিসনগী দিপ জ্যোতি ভুয়ান অমদি মরিদুলা সাইক্যা বরুৱা, অসাম এগ্রীকলচর য়ুনিভর্সিটিগী সুদিপতা সঙ্কর বোরা অদুগা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ক্রোপ টেক্নোলোজিগী কে সিংগারভাদিভেলনা রাইস বিয়ারগী রিছার্চ অসি চথখিবনি।

অতিংবদা য়াওরিবা এন্টি ওক্সিদেন্টকী এক্টিভিটি অসি শুংবদা শিজিন্নরিবা ষ্টার্টর কলচর কেকশিং শেম্বদা শিজিন্নরিবা লমদম অসিদা ফংবা মনা-মশিংদগী ফংবা ফেনোলিক এসিদ, পোলিফেনোল অমদি ফ্লাভোনোইদশিংগী ওইবা য়াবগী থাজবা লৈ।

মখোয়গী রিছার্চ পেপরদা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না লমদম অসিগী অতিংবা মখলশিং অসি থকপদা শিজিন্নবগী মথক্তা হান্নদগী হৌনা লায়েং মখল কয়াদসু শিজিন্নরকপগী ৱাফম লৈ। মখোয়না খুদম ওইনা পল্লদুনা অসামগী কার্বি কাংলুপনা হোর অচো হায়না খঙনবা অতিংবা মখল

▷মখা লমায় ৫ কলম ৬ তা

নেসনেল ইন্টিগ্রেসন কেম্প হৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৮ ঃ নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফালনা য়ুম্মু ওইরগা ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা চথগদবা নেসনেল ইন্টিগ্রেসন য়ুথ কেম্প ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা কাংশঙদা হৌদোকখ্রে।

অসাম, নাগালেন্দ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, মেঘালয়া, হরিয়ানা অমসুং ষ্টেট অসিগী নহারোল পুন্না ২৫০ না শরুক য়ারিবা কেম্প অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ডাইরেক্টর এন অশোককুমার আইএএস না অথোইবা মীথুংলেন অদুগা নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথন ইম্ফাল জোনগী জোনেল ডাইরেক্টর এসঐচ সাহিব সিংহ অমদি এময়ু গী এনএসএস প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডাঃ সিঐচ ইবোহল সিংহনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি।

কেম্প অদুগী মতাংদা নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবালগী য়ুথ কোওর্দিনেটর

▷মখা লমায় ৫ কলম ৬ তা

Wednesday the 28th January 2015
[illegible]
"Nishana Khunai Asida Pirakliba Cheitheng"
"নিশানা খুনাই অসিদা পীরক্লীবা চৈথেং"
Venue : Singjamei Mayengbam Leikai
Organised by :
SINGJAMEI APUNBA NUPI LUP
SOCIAL DEVELOPMENT ORGANISATION

নিষানা পীরকপা চৈথেং হায়বসিদা শিংজমৈ অপুনবা নুপী লুপ্পা শিন্দুনা শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাইদা লৈবা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

! হেক্তা হায়জিনবা !

- মণিপুর পুলিসকী অনৌবা বটালিয়ান লিংলমাল্লেনে।
- করম্বা অনৌবা বটালিয়াননো। অনৌবা মহিলা বটালিয়ান লিংলেদি তাই। মসি নত্তবা অনৌবা করম্বা বটালিয়াননোনে ?
- খুৎ শোক্লবা বটালিয়ান কৌবা অমা লৈরমাল্লেদা।
- লৈরব্রানে। নঙবু খঙলব্রাও।
- খঙদে। লৈরমগদৌবা মাল্লে। লম্বীদা লাকপা ওটো খঙদে, ত্রক খঙদে, মেজিক খঙদে দ্রাইভরগা খুৎ হেক হেক শোক্লবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা পুলিস য়াম্না বজার মনুংদা চাইথোক্তুনা থম্বা উরেদা।
- করিগুম্বা খুৎ শোক্লবা বটালিয়ানদু লৈরম্লবদি মদুগী কমান্দেন্টতু ওইনিংখ্রেদা
- নঙনা অমুক হেক্তা হায়জিল্লক্লব্রা ?

আইসিপিএসকী মখাদা শাবা ওবজার্বেসন হোম অহুম মীয়ামদা শিন্নখ্রে লান্না চৎলুরবা অঙাংশিং অচুম্বা লম্বীদা পুরকপদা মীয়ামগী মতেং চংইঃ মিরাবাই

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৮ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্দ দিবলপমেন্টকী মখাদা পায়খৎপা ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্দ প্রোটেক্সন স্কিম (আই সি পি এস)কী মখাদা নৌনা শাবা ওবজার্বেসন হোম অহুম ঙসি শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। লান্না চৎলুরবা অঙাংশিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুরকপদা মীয়ামগী মতেং দরকার ওই হায়না সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর কুমারি এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল কেন্দ্রগী মনুং চনবা নম্বোল মাইবম চীংমাং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুং চনবা শঙ্গামদা নুপামচাশিংগী ওইবা নৌনা শাবা ওবজার্বেসন হোম অমমম অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাউরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্রগী মনুং চনবা লংথবাল লেপ ময়ায় লৈকাইদা নৌনা শাবা নুপীমচাশিংগী ওইবা ওবজার্বেসন হোম অমগা পুন্না ওবজার্বেসন হোম অহুম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা শঙ্গাদুনা খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরমশিং অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইনা হায়, হৌখিবা চহি ইং ২০১৩ ফাওবগী মনুংদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা চিলদ্রেন হোম, সেন্টর হোম অমসুং ওবজার্বেসন হোম পুন্না ১৭ লিংখ্রে।

চৎলিবা চহি ইং ২০১৪-১৫গী ওইনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরকপা হোম মশিং অসি ৯নি। মসিগী মনুংদা চিলদ্রেন হোম ৪, ওবজার্বেসন হোম ৩ অমসুং সেন্টর হোম ২ য়াওরিবনি।

সেন্টরশিং অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা চাদ ৯০ পুথোক্লগা সেন্টর অসিবু চল্লাইরিবা এন জি ও অদুনা চাদ ১০ পুথোক্লদবনি। মসিগী সেন্টরশিং অসিগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগী থবক অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার লোয়শঙনা তৌগদৌরিবনি।

মিরাবাইনা মখা তানা, ঙসি শঙ্গারিবা ওবজার্বেসন হোম অসি মপুং ওইনা অরানবা লম্বীদা চৎলুরবা অমসুং তোঙান তোঙানবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা মশাগী চহি ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং জেলদা থমজিনবা য়াদবা অমসুং কোর্টতা পুথোকপা য়াদবনা অসিগুম্বা হোমশিংদা থমদুনা মখোয়গী অরানবা ৱাখলশিং অদু চুমথোক্কদৌরিবনি।

মসিগী থবক অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমসুং এন জি ওশিংগী মরক্তা কুপ্পা খন্নদুনা থবক তৌবা মথৌ তাই।

সোসিয়েল ৱেলফেয়ার লোয়শঙনা তোঙান তোঙানবা মীওইগী চহি থাক খেন্নবগী মতুংইন্না থবক তৌরি। অসিগুম্বা থবকশিং অসি শোখরবা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুদ্বীশিং কন্নবা পায়খৎপা থৌরাংনি।

হোমশিং অসি চল্লাইগদৌরিবা

▷মখা লমায় ৫ কলম ৬ তা

অতবা মমলদা খুদোংচাবা পোজরি
লৌবীহৌ লৌবীহৌ
অনৌবা চহিগী অনৌবা খুদোল
‘সনালৈবাক’পাউচে না
পীরিবা খুদোংচাবসি লৌবিহৌ
শুপ্নতগী লুপা ৩০০ /- দা
এদভর্টিজমেন্ট তৌবীয়ু
১) পোৎ-চৈ অমদি মী মাংখিবগী
২) গ্যাস কার্দ, বেঙ্ক পাসবুক, এ টি এম কার্দ,পান কার্দ, মনি বেগ অমদি চে-চাং তাহৌবগী
৩) পোৎ-চৈ অমদি য়ুম ইখোল লৈবা য়োনবগী
৪) মীগী মিং ওনবগী
৫) লৈফম হোংবগী
৬) জোব ভেকেন্সি কৌবগী
অকক্লবা মতমনি, মার্চ ৩১,২০১৫ ফাওবদংনি

For advertisement please contact: # 8731815660 e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501